ৱারী ককনাউ

# খোইমুগী দশা

**—নরেন্দ্র নিঙোম্বা—**

*য়েন্নিংথা* লাকপদা মালেমসি মালহৌনরে। হৈনৌ মপান্না পুংঙাং ঙাংনা শাৎলম্বদগী হৌজিক্কা মহে তল্লকপা মতম য়ৌরক্লে। মহে তল্লক্লিবা হৈনৌ পান্বী মখোংদা মমাই থাঙ্গৎতুনা মপুনা য়েংজরগা মোমোন নোকচরকপা শজিবু চঙলমদাইগী নুঙোল্লবা মতমনি। মতম অসিমক্তি ইনখৎলকপা লমচা অয়ান্বা অনৌবা য়ূন্বাল লন্বীদা খোঙ থাংজিন্নীংবা থাচৎনি, ইশম শম্না হায়রবদা নুংশি মহে য়ান্না থানি। লৈকায় শংবা নহাসু, কৈরোয় লানবা লমচাসু মশা নানখৎপা থাসিদা, মরম মোকপা শিংথানরিবা, ময়ূমদগী হেন্দোক্তনা লাইরিক্তো পাজদুনা লৈজরম্বা, হৌখিবা থা খরগী মমাঙদগী পাখঙ ফারকপদা ঙাইরিবগুম পূমঙাও ঙাওখৎলক্লিবা ইতোচাদা অপায়বা দশা অমা তাশিন্দুনা ইকায় শঙ্গাই হাংই।

ইতোচা, য়াম্না ফবা অঙাংনি। অঙাং হায়রিসি চহী ৩২ মুক শুরম্মনি। এম এগা লোইরগা ময়ূমদা অঙাং ট্যুসন তৌদুনা লৈরিবনি। মপূন্সিগী নুপী কোয়বা, নুপীগা ৱারী শানবদা ফিবর তৌরম্বা ইতোচা থা খরগী মমাঙদগী মমান্নবা ময়াম চঙদনা শেন্বীবদগী নুপী অমা খঙনরুরে। নুপীদুগা নুংদাং ফোন্দা ৱারী পেন্না পেন্না শান্নৈ। ইতোচা মতৌ অমা ওল্লে হায়না ইমুংগী মীনা শুম হায়নরম্বদগী, লৈকায় ৱারী ওইনরকই। ইতোচা ময়ূমদগী কিলোমিটর ২০ মুক্কা কোনবা মফমদা কদাইদা থাবল লৈ হায়বসি খঙদবা লৈতে। থাবলগী দিক্সনারি ওইরকই। নোংয়াই মতুংদতা ময়ূমদা হল্লকই। মখূৎ মশা শেংনা হান্নগা চাক চারম্বা ইতোচা থাবল চোঙবা হল্লকপদা উনদগী হেন্না ঈংলবা চাক চাবদু মখূৎ হামক্রে। হুক্লিবা চখোম খুদিংগী লৈশাবীগী মখূৎ মনম নম্মী, মদুদা ওইরে ইতোচানা নোকফেৎ নোকফেৎ থুম থাকপা কাউরবা এঙ্গাংফাও হাওনা হাওনা চারিদো।

নহানদি ইতোচা থাবল চোঙবদা খুরৌ লৌনদুনা খুদি থিজিনবদগী নুপী অমা চেল্লকই হায়না ৱা-ৱা লাউনৈ। ফরেদা হায়না ময়াম হরাউনৈ। ময়ূমদা নুপীগা তাঙবগা তানদুম চারে হায়না লৈকায় অহল মঙা হায়দোকপা চৎলুই। নুপী ময়ূমদুনসু হরাউ-হরাউ লুহোংবগী নুমিৎকা লেপ্পনবা কেলেন্দর পুথোক্তুনা য়েংনৈ হায়। চাউরাকপা নুমিৎ অমদি লেপ্পবা নত্তনা অখঙবা খূৎপায় হোৎপা অমদা হংনরসি হায়নরগা অহল লমনশিং হরাউ হরাউনা নুপী ময়ূমদগী হল্লকই। ইতোচাগী মাঙ্গোলদা হল্লকপা অহলশিংদুনা ঙাঙনৈ, “ওম্থোক্লা লৈবাক মচা তাখ্রে নুপী মপাদো, ৱারী শানবা নুংঙাইখ্রে, কান্নদে লুহোংনবা থৌরাং তৌরো। মখোয়দি হেক থুরৈখে য়াই হায়হৌরবনি, মমাদু খরা কন্না ঙমদে হায়, অদুনা মমানা ফত্ত নুংদা থোক্ত্রিঙৈদা মচানুপীগী অরেপ্পা মফম অমতা খঙজগে হায়দুনতা লৈরবনি, তান চারে হায়না হায়নহৌবনি” তম্মী। করি হায়নরকপগে লোন্না তারিবা ইতোচা অমদি ঙরাংতা চেল্লক্লিবা মৌ মচাদুগা পাউদু তাবদা নোকফেৎ তৌনা অনীদু য়েংনজে। ইকায় খঙদবা ওল্লবা ইতোচানা মৌ মচাদুগী খজাইদা খুদোনবীনা কোৎ লাউনা কোৎলুই। মৌ মচাদুনা মীৎচিনা ফল্লপ য়েংলগা, “চোই…” হায়রম্মগা কারোমদা চেনশিনখি। ইতোচাসু মৌ মচাদুগী মতুং ইন্নদুনা তপ্লি-তপ্লি চঙখি। শোমদনা, ইতোচাগী মমাসু, মদোমচাসু লৈকায় মৌশিংসু য়ৌ-য়ৌ তৌদুনা লৈরিঙৈদুদা থোঙ্গালদা গাড়ী অমা খামখিবা মখোল তাই। ফিংলপ তৌবা নুপা অমনা মাঙ থাদুনা ইতোচাগী শুমাং তন্না চঙলকই। মকোক খুন্থী অমসু য়াওরি। মাদি শুমাং মতোন্দা তুফক-তুফাই চন্দুনা লেপ্পী। মাঙ থানা চঙলক্লিবা নুপাদুনা নুপীদুগী মপান্থোম তাপ লাউনা পায়রগা মাঙ্গোল তন্না চিংশিল্লক্লে।

“হে নয়ূম য়ৌরে, সিদা লৈগদবনি, হল্লকপা য়ারোই। হেক হল্লকপদা নথৱায় মাঙলে খঙউ, চঙউ ইমুংদা, লম হেনবা মতাং থোরকপদা কাপ্তুনা হাৎকদবনি” মবুক্তা য়েপ্পা নোংমৈ মচা অমা শৎলগা “সি উরব্রা, কাপথোঅম্মুরা, কাপথোকউরো” কল্লপ লাউরগা নোংমৈ মতোন্দু নোংথক্তা ওনখৎলগা “দোঙ, দোঙ” অনীরক কাপথোকই। মাঙ্গোলদা ফল্লিবা অহলশিং অনৌবা ইনফিনা মকোক খুমজিল্লগা মাঙ্গোলদুদা শাংদ্রোং শাংনা উপ্পগা মনাকোং মেন্দুনা হিপথৈ। নুপাদুনা নুপীদু য়ুমলোমদা ইনশিল্লম্মগা থোঙ্গাল তন্না মখোং লাউরপ থাংলগা থোকপা হৌরকপদা, উপ্পগা হিপলিবা ইতোচাগী মপানা মঙক্তু খিতং থাঙ্গৎলগা, :

“ইবুংঙো ঙাইখো কৈনো তৌরিসিবো অমুক্তা হায়রম্মু?”

“হে অহল সি ঙসিদগী নমৌনুপী ওইরবনি, ঐগী ইচননুপীনি, মহাক ইতোচানা ফোন্দা মোইথেম তৌরগা লৌবিরম্মাবনি, মাগী নুপাগী ময়ূমদা থিল্লকপনি, লৌশিল্লু, হলহল্লকপদা ইমুং তুম্না শিরে খঙউ, ঐ চৎলে” হায়রম্মগা গ্রোং গ্রোং মখোঙ লাউনা থাংদুনা থোকখ্রগা গাড়ী ষ্টার্ট তৌদুনা থৌখি।

নোংমৈ মখোল তাবদা ইতোচা অমদি মৌ মচাদু থোংজিন তন্না চেম্থোরকপদা নুপী অমা চুরি তাফমদা লেপ্পলম্বদু উবদা, ইতোচা খংপ্রেক খংই। চপ লেপ্তুনা লৈ। মৌ মচাদুদি শুম য়েংলম্বদগী ইতোচাগী লেংজুম তন্না লেকথরকই, জিরি জিরি নাম্থরগা লৈমায়দা হাইথরকই। হাইদোরকপা মখূৎ নাম্মনা ইতোচাগী মঙকশমদা পোপ তারকই। ইতোচাগী মপা ফন লাউনা চোঙথোক্লগা শুমাং তন্না চেম্থোরকপদা লেপ্পলম্মিবা নুপীদুদা থেংজিল্লি। লেপ্পীবা নুপীদুনা ইতোচাগী মপাগী মখোঙদা থোক লাউনা নোনখি, “ঐবু লৌশিনবিয়ু পাবুং”।

ইতোচা হুমাং অনপ্পী কাংই, মকোক্তা মখূৎ অনী পায়দুনা নীংগাংননা ঙেক ফমথরকই। লৈরম্বা মীশিংদুনা ইতোচাদা লোইনা ঙক্লা য়েংলি।

---

লমকোয় ৱারী

# শকমান্নবশিংগা খঙন-উনরকপা

*(হান্নগী মখা চত্থজরকপা…)*

**টোকিওদা হল্লকপা ঃ**

মথংগী অয়ুক্তা ঐখোয় ওসাকাদগী টোকিওদা অমুক হল্লকখি। টোকিওদা নুংথিল থুংলখি। থুংলখিবা নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদা, ঐখোয় ডিন্নর অমা SCOT কী ডাইরেক্টর সুজুকিনা ইনভাইট তৌরক্তুনা চৎখি। মখোয়গী ট্রেডিস্নেল মথেল খরসু য়াওই। অয়াম্বনা চম্না চায়। থুম-থাও য়াম্না হাপ্তে। অকিরা অমদি সানজুরো য়াওরমখিদে। মখোয়দি লম লাপ্না হনখিগদবনা, ময়াম পূন্না চামিন্নবা ডিন্নর অদু য়াওখিদবনি। মখোয় অনী য়াওরল্লগদি ঐসু হেন্না নুংঙাইরমগদবনি। ঐগা খর লাইবক-শা তিন্নবা হায়রগদি মখোয় অনীতনি। ঐখোয়গী খোঙচৎকী থবক অয়াম্বদি লোইশিল্লে। ঐখোয় য়ূমদা হন্নবা মতমসু নকশিল্লে। মানা-মানা লৈনীংবা পোৎ-চৈশিং লৈননবগী মতম ঙাইখি। ঐখোয় করিসু থোইনা হেন্না লৈনীংখিদে। চাক চাবা লোইবগা ময়াম ঙাইহাক ৱারী-ৱাতায় শাদুনা লৈখি। হয়েং অয়ুক্তী ব্রেক ফাস্ট SCOT কী ওফিসতা লৌগনি হায়না সুজুকিগী প্রোগ্রাম মেনেজর, টোসিহিরো সাকাটোনা ময়ামদা পাউ পীরকই। নুমিৎতু ঐখোয় ওসাকাদগী হল্লকপনিনা ৱারল্লগনি হায়না সুজুকিনা শীনবীদুনা পোৎথারুনবা ঐখোয়গী লৈফমদা ঙন্না থিলহনবীরকখি। লোল মান্নবসু নত্তে, করিগীনো খঙদে মখোয়না ঐখোয়বু লুনা তৌই। ঐখোয়নসু মখোয়বু নুংশি। মসিসু অঙকপা অমনি। নহালমুক মপোক্কী নক্লবা মরি লৈরম্বা তায়। ঐখোয়না ইন্দিয়াগী দিল্লি, বোম্বে চৎলুবদা দিল্লিৱালিশিংনা নত্রগা বোম্বেৱালিশিংনা ঐখোয়বু কদায়দগীনো নেপালদগীরা, ভুটান্নীজরা হংবদু, জপানদদি অদুগুম্বা অমত্তা হংলক্তে। ইশাগী ইরমদম, ইরৈবাক ইন্দিয়াদা ঐখোয়সি ইন্দিয়াননি হায়না শক তাকচবদা, ঐখোয়সি মীতোপ ওইনা তৌরকখিবা ঙাক্তনি। ইরমদমসু নত্তবা জপানগী লমদমদুদা কোইচৎ চৎপদু, ইরৈকাইদা চৎপগুম নুংঙাইবা ফাওখি। মসিনা করিগীনো ?

জপান্দা লৈগদবা নোংমতা ঙাইরে। টোকিওদা নুমিদাং মপান্দা কমায় তৌগে য়েংসি হায়নদুনা সোমোনবী ইবানি লৈফম হোটেলদগী ঙাহৌ-ঙাহৌ থোকলকই। অয়ুক-নুংথিলদা ঙানবদৌনা নুংদাং অদুসু ইলেক্ট্রিক্লা পুমঙাল-ঙাল্লি। ফনা শাংনা ঐখোয় অনী থোকলকই। চানবা য়োনবা দুকান, মেগাজিন, দেলি ইভিনিং পেপর য়োনবা মফমশিং লম্বীগী মতাইদা য়াম্না লৈরম্বা থেংনৈ। পোৎয়োনফমশিং অদুদা মী অমত্তা ফম্বা থেংনদে। অপাম্বা মীওইশিংনা পৈশা থাদরগা অপাম্বা পোৎ লৈবা য়ারম্মী। পুং কুনমরী হাংদুনা লৈবা ঙাক্তনি। য়াম্না থাপ্না চৎলগুমসি হায়না অমুক হল্লকই। লম্বীদা খোঙনা চৎলিবা মীশিং অমুক-অমুক পূল্লপ থোকলল্লগা, পূল্লপ পূল্লপ মাঙখিবগুম উখি। মাঙবা নৎলমদে, উরিবা মীশিং অদু সব-ৱে লম্বেলদগী অমুক থোকলকপা অমুক সব-ৱেদা চঙনখিবগী ওইরম্মী। জপান্দা সব-ৱে খূরক হাঙদনা লৈরম্মী। দিল্লিগী পালিকা বজারগুম অচৌবা সুপর মার্কেট কয়া লৈনূংদা লৈরম্মী। লম্বীগী কাচিনশিংদা অচৌবা শকয়েং মিংশেল য়াম্না খিন্দুনা লৈরি মসিনা ব্লাইন্দ কোর্নরশিংদা লাকপা কারশিং লায়না উবা ফংহল্লি। মপু লৈতবা মানবা অচৌবা পোৎফমশিংদা কেমেরা ফিট তৌদুনা থল্লগা পোৎ য়োল্লি।

মথংগী অয়ুক্লী, ঐখোয় SCOT (The Japan Performing Art Center) ব্রেক ফাস্ট লৌবা চৎলি। নুংথিলদি ইকেবেনা (Ikebana - Japanese Flower arrangement) য়েংনবা হায়রকই। ঙসি নোংমা হায়বসিতা ঙাইরে জপান্দা লৈগদবা হয়েংদি ঐখোয় ইন্দিয়াদা থুংলগনি। ইকেবেনা (Ikebana) য়েংসি হায়বদু ঐখোয় য়াখি। ঙরাংদি অকিরাসু সাঞ্জুরোসু ময়াম ডিন্নর চাবা য়াওখিদে। ঙসি অয়ুকসু ব্রেক ফাস্ট চাবা য়াওখিদে। ঐনা টোসিহিরো সাকাটোদা মখোয়বু হংখি। টোসিহিরো সাকাটোনা, “মখোয় খর লাপ্পী অদুনা অথেঙবা অমদি অঙনবসি য়াওবা ঙমদবনি, মখোয় ঙাইহাক লৈরগদি থুংলগনি” হায়রকখি। ব্রেক ফাস্ট লোইরগা ঐখোয়না পুরকপা হাওফি অমদি লাইধিবী খর SCOT (The Japan Performing Art Center) ডাইরেক্টর সুজুকি অমদি মহাক্কী মরুওইবা ষ্টাফকী মীওইশিংদা খুদোল তমলমখি। মখোয়নসু তামো রতন থিয়ামদা, মখোয়গী নাৎকী ফি, কিমোনো অমদি সামুরাই থাঙশাং অমগা খুদোল তমলকখি।

নুংথিলগী মতম্নি, অকিরা অমদি সানজুরোসু SCOT কী ওফিসতা লৈরম্মী। ঐখোয় ময়াম, টোসিহিরো সাকাটোনা লমজিংদুনা Ikebana য়েংবা চৎলি। অকিরাসু য়াওরকখি। নুমিৎ অদু Ikebana Competition তৌবগী অরোইবা নুমিৎ অমা ওইরম্মী। ইকেবেনা মখল ফনা য়াম্না পুথোক্তুনা উৎলম্মী।



Artistes of the SCOT, Team, Tokyo

লৈগী লৈতেঙশিং শেল্লিবসি য়েংবদা লায়না উবগী ৱানি। লৈখন, শেল্লিবা লৈনা, মচুগী মথং-মনাওসি অসুক্কী মতীক লুই। ইকেবেনা, লৈগী কেবগী থৌরাং, লৈনাগী অমদি মশা হাপ্পগী ৱাহম্থোক অসিদি অৱাংবা ৱাখল্লোন অমদনি। নুংদা তাম্থা অমদি মচুগা কোন্নবা ইচেল অমা লোয়নরি। ইকেবেনা য়েংলগা মখোয়গী খুৎকী হৈশিংবা, মখোয়গী ৱাখলগী অশানবা মীৎয়েং অসি লায়না উবা ফংই। মরম অহুম Heaven, Earth অমদি Humankind হায়বা অসিদা শাগৎলগা শেম্বনি হায়না অকিরানা হায়রকই। মীনুংশি থৌজালগী ঈরিক্কা লোয়নবনি। ইকেবেনা অসিদা, Classical Arrangement, Naturalistic Arrangement অমদি Modern Arrangemenrt হায়না মখল অহুমসু লৈরমখি। মসিসু কোন্না হংলুবদা খঙলকখি।

ইকেবেনাগী ৱারী তারগা ঐখোয়গী লৈ লাংবা, হৈরোল-লৈরোল নীংশিংহল্লি। ঐখোয়গী অরাংফমনা শেম্বা হৈরুক-পানা, লৈ নাচোমগী ফজবা, চালুক ময়াদা দোনাগা পরেং পরেং থল্লগা শেম্বা য়েন্সাং মথেল কয়াদু মখোয়দা য়েংহন্নিংখি। ইকেবেনা য়েংবা লোইরদুনা ঐখোয়গী লৈফমদা হল্লকখি। হল্লকপগী লম্বীসিদি ঈপাক মপানগী লম্বীরোমদা লাকখি। জপান অসি ঈপাক্লা কোয়শিনবা মফমনি হায়বসি কাউথোকলুরে। ঈপাক মপান্দা লাকপদা গৌতম বুধগী সনানা শাবা, মীতম অমা খিন্দুনা লৈরমখি। ফনা থাপ্না উবদা অদুক য়াম্না চাওনা উরিবদুনদি, মনাক চঙলগা য়েংলগদি হেন্না চাওগনি। জপন্নিজশিং অয়াম্বনা বুধ নীংঙি। বুধ অসিনা অমুক ইন্দিয়াদা পোকই, পোকফম ওইরিবা ইন্দিয়াদনা বুধগী শাফু (বুধিজম) মমি কন্না তাদ্রগা, জপান্না অসুক কন্না বুধিজম চৎলম্লিবসিসু অঙকপনি। বুধগী ফিলোসোফি অৱাংবা ৱাখল্লোনসি মখোয়গা হেন্না চানবনরা খঙদে। ঐখোয়বু পুরিবা বস অদুনা লম্বী অদুদা লাকপদা, ড্রাইভরনা মাগী টেপ্টতু তপলপ্পা খোংলকই- “বুধং সরনম গৎছামি, ধমং সরনম গৎছামি, সঙ্গম শরনম গৎছামি।” বুধগী শক্তমদু উবদা বস দ্রাইভরদু মকোক নোনখি। অকিরাগা, টোসিহিরো সাকাটোগসু মকোক নোনখি। ঐখোয় তুমিন লৈনৈ। ঐনা অকিরাদা জপন্নিজ ফোক সোং অমদি অতৈ কলচরগা মরি লৈনবা ডোকুমেন্টরি ফিলম খজিক্তা পীবীয়ু হায়খিবা ফনা কুইরে। হোয়দি হায়রগা মহাকসু সূকপী পীরকখিদে। য়াম্না তোয়না হায়বা ইকায়দুনা মখা হায়খিদ্রে। ঐনা পাম্মী হায়রিবা ডোকুমেন্টারি ফিলমশিং অদু কেসেট অমা শেল্লগা থমলে। নহালখৈ খোমজিনবদা মতম চঙবনি। হয়েংদি শোয়দনা পুরক্লগনি হায়না অকিরানা হায়রকখি। পাউদু তাবদা নুংঙাই অদুবু হয়েং অয়ুক অঙনবদা ঐখোয়দি চৎলনি হায়বসি মহাক কাওখিব্রা খঙদে। য়ূমদা ঐখোয় হল্লগনি হায়বগী ৱা মাঙোন্দা নীংশিংখি।

*(মখা মথং নোংমাইজিংদা)*

*(লমকোয় ৱারী অসি মাখোনমনি মোংশাবনা ইবা চীংলোন অমদগী অমদা হায়বা লাইরিক্তগী লৌখৎচবনি)*

---

# ঐগী অবোক

**—হুইরোংবম বেনুবালা—**

***- বোবোক, তু! ফোটোদা মো য়াওরিসে।***

ঐনা মকু-মকুরবা, মল্লবা, ষণ অরাংবী য়াওবা ফোটো অদু ঐখোয়’ ইবোক্তা উৎলি।

- মো হায়রিবু ষণলো?

- মানে বোবোক, ষণনে য়েংউ, তু!

অসি হায়রগা ইবোক্কী মমায় ময়া নক্লা অমনবা ফোটোদু উননবা ঐনা থম্মী। ঙাইহাক মুন্না য়েংলল্লগা শাউরংননা, ফোটোদু ঐঙোনলোমদা লংশিল্লগা হায়রকই,

- কদায়দৈ থিরুই মসিদি। হা? থুনা পীশিল্লুচো নমাদা। চৎলুনে মাঙখিনিনে।

তীঙক-তীঙক ইবোক্তা য়েংলল্লগা ফোটোদু খুল্লগা ইমাগী মনাক্তা চেনশিল্লগা পীরুই। ইবোক্লা চৈরকপশিংদু ইমাদা ঐনা তম্মী। পীক্লিবা ঐঙোন্দা ইমানা থেমজিনবিখি,

- নঙোন্দা নবোক্লা নুংশিদদুনা চৈবা নতে। নবোক্তি ষণ অরাংবী পনবা য়াদবনি।

- করিগীনো ষণ অরাংবীগী ফোটো উবদা ইবোক্লা শাউরিদুবো ইমা?

- মরম লৈএ। ইমানা কোন্না লীবিগে।

ইমানা ৱা শমজিনখিবদু ঐ নুংঙাইখিদে। মতমদু ঐ পীক্লিবা ওইবনা ইমানা লীবিখিদবা ওইবজাৎনি। কাইনথংদা ঐনা কাবক চাউরল্লবা মতমদদি মুন্না খঙলকখি। ঐখোয়গী ইপুবোক্তু ঐদি মশক খঙহৌদে। ঐনা পোক্ত্রিঙৈদা লৈখিদ্রবনি। ইপুবোক্কী ষণ য়াম্না লৈরম্মী হায়। ইবোক্কী অউন-ষণ অমা ইহান হান্না লোইবদগী মচা ময়াম অমা পোল্লক্তুনা মচা অমোম য়াওরকপদুনা পোল্লককপা মচা ময়াম অদুগা পুল্লপ্পা ষণ তরামুক হেন্না লোইরম্মী হায়। ষণ অমতসু ইপুবোক্তু য়োনবা খোৎপা তৌখিদে। তৌবতবু লুনা তৌবিগদবা মরী-মতা, মরুপ মপাংশিং খল্লগা পীখিবনি। হায়রিবা ষণবীদুগী মচা য়াইমা লাবা ওইনা পোকখিবনি, ষণ অরাংবী। অবোক্লা নুংশিনা কৌজবা অরাংবীনি। ষণপোৎ খোইনবা লাকপা কনামতনা ঙল্লক্ত্রে। ষণ লাকপা হৈবা মী কৌদুনা হোৎনবদসু অরাংবীনা ঙমখ্রবনি। ইপুবোক্লা তত্তনা শোল্লি- অরাংবীসে মঙাও থিদৌরি। ৱাংবলদগী মরুপ অমনা লাইবক য়েংজগে হায়দুনা অরাংবী ইপুবোক্লা পীখ্রে। ইবোক্লা ইমুংদা চেনশিল্লগা কপ্তুনা লৈখি। নুমিৎতু ইবোক চরা পুরা হেনখি। অরাংবীবু নীংশিং-নীংশিং অহিং চুপ্পা কপখি। নুমিৎ হুমনি শুবগী অয়ূক্তা ইবোক্লা য়াহৌরকপদা অরাংবী কোম্থোংদা লেপ্তুনা লৈরল্লে। ইপুবোক্তা ইবোক্লা কপ্তুনা হায় - “অরাংবী অমুক পীবিখ্রনুকো।”

ৱাংবলগী নুপাদুনা লাকপা মতমদা ইপুবোক্লা হায়খি- “নতৈমনা য়াদ্রে, শাউরনু ইবো।” পাবুংনা ডি এম কোলেজদা বি এ অরোইবা তন্লিঙৈদা ইপুবোক লৈখিদে। চহীদু চেঙ তাঙবা মতমনি। খম থেংনা ইবোক্লা ৱাখি। ঈচাও থোক্তুনা লৌ অয়াম্বা মাঙখি। পাবুংনা ইম্ফালদা লৈখি। থৌবাল তুরেল কায়খি। ঐখোয়গী য়ূম মপা নক্লা কায়খি। ইবোক্লা অহিং অথেংবদা খুরাতোনগা কৈদগী ফৌ বোরাদা হাঞ্জিল্লগা কাংথোন অনী লোনখত্তুনা ফৌ বোরা খরদু থাঙ্গৎপা হোৎনরিঙৈদা তোর্ব্বান নক্লা শাবা ষণগোন্দা পুনবা অরাংবীনা কন্না খোংলকখি। ইবোক্লা খুরাতন্দা হায়- “তোম্বা! অরাংবীদু থৌরি থোক্লগা সিদা পুরকউ।” খুরাতোন্না লেমটর্নদু পায়রগা কৈদগী কুমথদ্রিঙৈদা য়েংথোকখিবদদি ষণগোন মশক উখিদ্রে। নোংঙাল্লকপদা অরাংবীদু অৱাংগী ৱাপলদা পল্লগা মমিৎ ওনখৎতুনা লৈরমখি। ইবোক্লা ফ্রিং-ফ্রিং চোংবমখৈ কপখি। ঈশিংনা ঙকশম য়ৌরবদুদা কুমথদুনা ৱাপন্দা পন্দুনা লৈরিবা অরাংবীবু শীৎ-শীৎ নাল্লুই। “অরাংবী, নঙ ঐবু শাউনুকো” হায়না কপখি। পাবুংনা কোলেজ তন্লিঙৈদা লৌ পানবা ঙম্লনবা ষণ অয়াম্বা য়োম্থোকখ্রবদা অরাংবীদুদি ইবোক্লা থমহৌবনি। তোয়না হায়খি, - থায়নগীদু নৎত্রে ঐখোয়’ অরাংবীসে, মরম য়াম্না ওক্লবনি।

পাবুংগী কেমেরা মচাদুনা কোলেজ তন্লিঙৈদা অরাংবীগী ফোটোদু নমহৌবনি। চাউনা নমথোক্তুনা মাঙ্গোনগী ফমেন থংবা ফক্লাংদা ফ্রেম চল্লগা থেৎলম্বনি। ইবোক্লা অরাংবী শিখিবা মতুংদগীদি ফোটোদু লৌথরগা থমখিবনি। ইমানা ৱারীদু ঐঙোন্দা তোয়না লীবিখিবনি। অরাংবীগী ৱারীতা নত্তে। অতৈ শা-ঙা, উচেক-ৱায়া লুনা তৌজবা ইবোক্কী মরমদা ৱারী য়াম্না ইমানা ঐঙোন্দা লীবিখি।

মিনু মমা হায়না খঙনবা ইবোক্কী হৱাইমান হৌদোঙ অমা লোইরম্মী হায়। ঐখোয়’ পাবুংদুনা হৌদোংবুদি কয়া লুনা তৌদবা ওইরমাল্লে। পাবুংনা হেদ মাষ্টর ওইবনিনা য়াম্না ঙন্না স্কুল চৎনবা তৌবনি। কিমি অমা হেন্না লাপ্পা স্কুলদু খোঙনা নুংতিগী চৎলি। মদুগী মতুং ইন্না চাকসু ঙন্না চানবা ইমানা হোৎনৈ। নিংথমথাগী লৈচিল কুংনা থাবা অয়ূক্তু স্কুলগী পরিক্ষা লৈবগা পাবুংগী থৌরাংদু খরা ঙন্না হোবে-হোবে লোইশিল্লি। পাবুংনা ইমুংদগী থোল্লককপদা মিনু মমাদু মখারোমগী উখোক্তেন মপাদা কুল্লম্বদগী তীংলি য়াংলিরদুনা পাবুংলোমদা ওনশিল্লগা হকাম লাওনা চনশিল্লকপনি। পাবুংগী তুং ওইরপ্পা থোল্লককপা ইমানা মদু উরদুনা ইয়োংদগী শীংকাপ্তু শত্তোল্লগা ফদ্রৎ লাউনা হৱাইমান্দা লংখি। ইবোক্লা ফজনা থাকপী, মশা-মউ ফবী হৱাইমান্না অহুল্লক কানবদা য়েৎনখা য়ৌখ্রে। ইবোক তাননবা মিনু মমানা হৌনা কপ্লকই, “ঙ্যাও ঙ্যাও!” মোরোক মখোঙ য়াল্লম্বা ইবোক্লা থাঙজৌ মচাদু পায়রগা পাইশিল্লকই। ইমাদা হায় - “তৌনু তৌনু অঙাংশা। মাসু য়ূমসিগী মখাদা লৈবা জীবনি খঙলব্রা। উমংদা লৈদৌবা শা নত্তে। য়ূমদা লৈগদবা য়ূমশানে য়ূমশা!” মমিৎনা পাবুংদা ৱাহৈনা ইমাদনি। মদু খঙলবা পাবুংনা ইমাদা তপ্পা হায়রম্মী - হোরেন ঐনা হঞ্জিল্লকপদা হৌদোঙ লৈরম্বা য়ারোইকো।

- অদুদি ঐ খঙদে।

ইমানা ৱাজদুনা ইবোক্তা ৱাফমদু শীৎ-শীৎনা তম্লুবদা ইবোক্লা খুল্লকই,

- তৌসনু ইমৌসিদি। মিনু মমাগা ঐগা পুল্লপ হেক কদায়দনো চৎখিবা হায়দুনি। হোরেল হল্লকপগা তম্মুকো। অদু ওইরদি ৱাই অমুক হেন্না শংহৌরনি নখোয়।

নুমিদাং চাক পূন্না চামিন্নরিঙৈদা পাবুংনা হৌদোরকই,

- ইমা, ঐগা তোম্বগা ইবানীবুদি মিনু মমানা হেন্না নুংশিরবা নৎত্রো?

ইবোক্লা খুম্মী,

- হায়, নুংশিববু হেনবা হেন্দবা হায়বা লৈব্রনে? নঙবু ঐখোয়না ষণগোন তুম্বমখৈ ইম্ফালদা লাইরিক তমহল্লুরিবসিদি মীনুংশি মাঙনবা তারেদনা।

- সখি, ঐখোয়’মানা লাইরিক্লা তল্লম্মদি করি ওইনি খঙলব্রা…?

- ঐখোয়নকা লাইরিক তল্লম্মদি সৈত্যা, অপঙবা নখোয় পোল্লম্মোই।

ঐসু থেংনহৌই ঐখোয়’ ইবোক্তু। লুখাক-চগুম খোংবান্দা হৈদোকপা য়াদে। ঈশিং মহীনচিংবদু শেংনা পাত্র অমদা চিথোল্লগা লা মচেৎ নৎত্রগা উনা-ৱানাদা মনীং-ময়াগী অকংবা মফমদা চগুমদু হাপ্তুনা থম্মী। করিগীনো হংবদা উচেক-ৱায়ানা চাজনবনি হায়। খুরাতোন্না শাবা নাউরি লৈ। অদুবু নাউরি পায়বদি ইবোক্লা উবা য়াদে। “ইশুবু চাক নবুক থন্দ্রবনে উচেক থিরিবো” হায়না নাউরি খূত্তগী মুনখিদুনা মৈ হেক্তা থাদোকই। ঐনা ইবোকপু নুংশিজববুদি কিজবনা হেনখি। মখা শঙ্গোয়গী য়েৎনখাদা ঙাদুনা থম্বা লোংথ্রাইদু ইবোক উদ্রিঙৈদা নোংমা মনীংগী ষণজাবুংগী অৱাংগী খোংদু তম্না ঐনা ঙস্বোই-ঙমদবোই, চিংবোই-থাংবোই পুদুনা চৎলি। নিংথমথা ওইবনা ঈচেলদি মমিংতা ঙায়রবা মতমনি। লোংথ্রাইদু চেপথরগা নমদুনা পুখনবা হোৎনবদা লৈখোম্না পীক থল্লে। ঈশিংদা লুপহনবতনি। ঙাদি য়াওবা নত্তে। অমুক শৎনবা হোৎনবদসু লৈরায়না কন্না পল্লে। খোং মপান্দা লেপ্পলগা অরৈবা পাঙ্গল শীজিন্নদুনা কন্না চিংখৎনবা হোৎনরুববু খংতেক তেকথোকখিদুনা বিকার কায়রে। কিদুনা য়ূমদা চেল্লক্তুনা ইমাদা কপ্পীং কপ্পীং তৌনা হায়রুই, “ইমা! লোংথ্রাইদো তেকখ্রে, ইবোক্কীদো…।” ইমাদি থৌ-ৱা শাদনা খুল্লকই, “নবোক্লা ফুরনিদো কমদৌনি। অমুকসু হায়জৈ, “অদো অমুক্তা লৌখৎপীরুচো ইমা।” ইমা থৌশাদে, “নবোক্তা হায়রুচো, ঐদি কিজৈ ঙমজরোই।”

ঐ কপ্পীংবনা লোইখি। ঈশ্বর মথোঙ খঙদ্রিবা মতমদুদা লাই ময়াম অমবু পূক্লিংদা খুরুমখি, নুমিৎ তাবা ফাওবা।

নুংতিগী ফুঙ্গা মনাক্তা ইবোক্লা মৈ তীকমিন্নদুনা চাক ঙাইবা ঐনা চাকশঙদা হেক চঙদবদা ইবোক ৱাখল তামাল্লে, ইমাদা হংই,

-ইশু ফুরুরব্রা, চাক ওইনরিসে।

ইমানা তপ্পা খুম্মী,

- মরাল লৈরদুনা তৌরিবনি। ঐদি ঙসি মাবু ফুদে। লোংথ্রাই থুদেক্লুরে হায়বদুগী ওইরমগনি।

ইমাগী ৱাদু তারগা ইবোক্লা নোল্লগা হায়রকই,

- এ! করম্বা কান্দনোনে, অয়ূক্তরা নুংথিন্দরা?

- অয়ূক্কী চাক তোকপগী অদুৱাইদা।

- ইশুদি পাখৎলম্মনিদো, ঙসাইনা থেন্বীবা য়াদ্রো? মানবু করি খঙবা মতমনো? ঙসিদি ইবোক চৎখ্রে। ঐখোয় মীওইবনা থোইনা খনবীরুদবা ময়ামদুবু থাদোক্তুনা। পীরগা চাবা পীজদ্রগা তুমিন্না লৈবা ৱাকৎ অমতসু থাঙ্গৎতবা জীবশিংগীদমক্তা মানা কয়াগী মতিক খঞ্জখিবা, মকুনা নুমিদাংদা খোঙলকপদা পাবুংনা লৈতুম থারিঙৈদা মহাক্লা খামখি, “তৌগনুনে ইবোচাউবা, চেক্লাদি উরক্তা লৈগদবনি। শেন্বীবা মপূনা পীবা থৌদা পাঙথোক্লিবনিনে মাসু।’

হৌজিক্তদা অঙকপা পোল্লককই মাগী ৱাখলশিংদুদা।